# উচিদা অমুক হঞ্জিনহনগদৌরিব্রা
## অমুক্কা খুদি থিরদি কুম্মৈ তানিকো

'উচিদা অমুক হঞ্জিনবা' হায়বা ৱাহৈ পরেংসিবু অফব্রো? মীয়াম হুপ্পা অমসুং মীপূম খুদিংমক্না খোইদাদুনা পান্নবা ফীভম ওইগদ্রা? মীওইবা পূন্নমক্না হোৎনরিবা হায়বদি শুরি-নোম্লিবা পূন্নমকসি হান্নদগী লৈরক্তুনা হৌজিক ফাওবা লৈরিবা ফীভমদুদগী হেন্না শোকচিল্লকপা হায়বদি 'বেদ টু ৱর্স্ট' ওইরকপগী মহুত্তা, ওন্ন-তৈনবদা খজিক্তং ওইরবসু ফগৎলক্তুনা অহোংবা-অওনবা ফীভম অমদা পুরক্তুনা ওইহল্লক্লবনি। মসিগীদমক মায়পুননা অমসুং পূক্নিং চঙনা লুপশিন্দুনা হোৎননরিবনি। হোৎনবগী মতুংইন্না ফংনীংলিবা পান্দম, ওইরকহন্নীংলিবা ফীভমদুসু ফংদুনা ওইরকহনবা ঙম্নরিবনি। অদুবু হোৎখৈ হোৎনরবসু মচি লেঙদবা, 'কোঞ্জেং কোকফাইনা নোমখৈ-নোম্লগা মনঙ্গলদা মরূম থুই' হায়বদুগী ফীভমদা অদুম্মক তারক্লগদি 'উচিদা অমুক হঞ্জিনবা' হায়বা ৱাফমসিদগী খরা কনশিল্লক্লগা 'মথুনদা অদুম হঞ্জিনবা' হায়বা ৱাফম ফাওবা চোংথোরক্তুনা ঙাঙন-শক্নরক্লিবনি, শীজিন্নরক্লিবনি। ফীভমসিদি 'হামু-হামু'নি হায়বসিগা করিমত্তা খেন্নদে, চপ-চানা থোকই। হান্নগী ফীভমদা অদুম্মক হঞ্জিল্লকপদদি অহোংবা লৈরক্তবনিনা 'শগোল হঞ্জিন কৈনা চাই' হায়বদুগী থৌদৌ তারকপসু য়াওগদৌরিবনি। য়াওনরিবনি। অদুগা মস্বাই য়ৌশিল্লকপদদি কন্না শু-নোম্লবসু 'শুবা কাম্বা লায়রবা, চাবা কাম্বা য়াঙ্গংবা' হায়বগী থৌওংসু তারক্লিবনি। অদুবু হিংদুনা মখা তানসু হেন্না ফবা পূন্সি মহিং অমসুং মরেলদা হিংখিনবা হোৎনবদা হান্নদগী হেন্না শোকচিল্লক্লবগী লম্বীদদি খোঙদারুবা চুপ্লোই। অফবা অমসুং অচুম্বা লম্বী, মশক খঙদোক্তুনা চৎপা ঙমদবা মীওইদুদি 'এ মেন ওফ প্রিন্সিপল' গী মীওইনি হায়রোই। মীতোকচাক, মীরক-মীচন্থি, অয়ঙ্বনচিংবা হায়বসিগা পাঙ্খক্লবগী মথক্তা 'মীথিবোং-মীতম্বাল' নি শোয়দনা হায়রক্কনি। ৱাফমসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা 'দেমোক্রেসি' হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিগী লৈঙাক্লোই পোলিটিসিয়নশিং খক্তগী ৱাফম নত্তে। শীনফম পূন্নমক্তা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কীনি। হায়বদি 'এভরি ৱাল্কস ওফ লাইফ' পূন্নমক্কীনি। মীপূম খুদিংমক্তা তোপশিন্দুনা পানশিনবা য়াবা ৱাফমনি।

মসি ওইরগদি হৌজিক মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লৈঙাক 'পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি' অমা শেমদুনা লিংলগদবনি অমসুং শেমহল্লক্লগনি হায়দুনা মখে লাংলক্লিবশিংসিদি প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্তুগী মীথিৎ ঙাক্তনি। তোকখিদুনা মশীং হন্থখিবা য়াওদ্রি। নৌনা হেনগৎলকপসু য়াওদে। মশাগী মশা ঙাক্তনি। মীহুৎশিংদা অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। অদুবু মখোয়না অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লগনি নৎত্রগা শেমহনবীরক্লগনি হায়দুনা খিংগৎলক্লবসিবু হান্না-হান্নগীদুদা 'লাদা অদুম তাই' হায়বা ওইরক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা খজিক-খরাক্তগী হোংহনবদগী হেনে দারক্তুনা মকোক-মরূসু শিন্দোক্তুনা অহোংবা লৈহনগদবনি হায়দুনা থম্মোয় লাইমন কাদুনা শিরগে'মখৈ হোৎনজখিবদুগী পন্থুং য়ৌবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বনি। ৱাফমসি হায়-হায়দুনা লৈফমসু থোক্লবা, লৈহল্লক্লবসু অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনরক্লিবা, শেমহল্লক্লগনিসু হায়রিবা 'অনৌবা লৈঙাক' কী শৃৎ নানবা লম্বীদা অচৌবা নুঙজাও ওইনা থোক্কদ্রা? থোকওই, থোকফম থোক্তে। হঞ্জিন-হঞ্জিন খুদি থিদনবা অচুম্বা লম্বীদা চেকশিন্না চৎহন্নীংবগী হায়বনি। লানগী মৈশা চহী ২ হেন্না নংলক্লবা মীয়ামদবু ঙাইহাক লৈতনা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থমজিনবা অমসুং প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক মখলসিবু লৈ পরেংদৌনা হুকপীগে হায়রকপদা মীয়াম্না পরেং লেপ্লগা ঙক থিন্দোকখো হায়ব্রো? ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা রিজাইন তৌহনখ্রিবা, ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী পি আর থল্লকখ্রিবসিগী মায়কৈ ফাংবা মরম কয়া মরোং-মরোং লোংদুনা লৈরম্বদি য়াই। য়াবা নত্তে, থবক ওইনা মথং-মথং ওন্থোরকখ্রবনিনা লৈবদগী ওইহল্লকখ্রিবনি। অদুবু কন্সটিট্যুশনগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লিংলিবা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফিকেশনগী কেসশিং মনম-মনম লৌখৎলকপা, হান্নদগী পন্দুনা লৈরকপা কেসশিংগীনা ফাইনেল হিয়ারিং পাঙথোক্লগনি হায়রকপা, প্রোসিদিং চখরগনি হায়দুনা লেপখিবা নুমিৎ ফাওবা ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী হৌগনি থৌরাংখিবা মীফম মমাঙদা 'প্রি-পোন' তৌদুনা চিংখৎলকখিবশিংদুনসু খ্বাইদগী চাউবা মরম অমা ওইখ্রিবনি। মসিগী মরমসি মীপূম তিংনা খঙনরবা মরমশিংসিগী মনুংদা য়াওরমদবদি য়াই। অদুবু লৈঙাক্তুদা খ্বাইদগী চাউবা চৈফূ 'এ বিগ ব্লো' অমা ওইখি হায়বসিদি ১০০দা ১১০ চুপ্লবনি। মসিগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিংসিগী মনুংদা লৈঙাক্তুদা 'বজ্র' তাশিল্লক্তুনা মসা-মরেংশিং কোগোক কোক্না কোকথোকপদগী হেন্দোক্তুনা মরূ-মরা য়াওনা ফূক্তোকখ্রবসু মকোক মরূদুগী মহুৎ শিঞ্জিল্লগে হায়বদুদি হৌজিক্কদি খল্লক্লমগদ্রা, অহানবদদি চোংমাই লেপখিবদুদং পুন্ত্রে তুহন্নীংবা ওইনা উখি। মানসু মানখি। অশেঙবা-অচুম্বসু ওইরমগদোইনি। মসি ওইরগদি অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক নৌহৌননা শেল্লকপদা হান্নগী এঠলিট/এক্টরশিংসিদগী ওইরক্কদবনা মকোক মরূগী ৱাফমসিসু উচিদা অমুক হঞ্জিল্লকপদা নৎত্রগা হঞ্জিনহল্লকপদা হোয়নি-মাইনি হায়নরক্তনা চেক-মোক লাউদনা তূমিন-তূমিন লৈনখ্রগদরা? মণিপুরগী 'রাজনিতি'গী লম্পাক উন-ৱাইমুক চিকখিদুনা মহাভারত-রমায়নগী লানগুম্বশিং থোরক্লরোইদ্রা হায়বনিদা!! ৱাহংসি হংলকপদা লান্না লৌগনু। নখোয়না লৈঙাক পায়রকপদগী লান থোক্লে, এসেমব্লিগী য়াংলেন শরূ শৎলগা প্রসিদেন্টস রুল চল্লাইরক্লে। মচং ওইবা ২/৩ দং কোৎখৎতুনা পনবগী ৱানি। মী ৩০০গী ময়াদা হাৎখিবা লানগী য়ামখ্রবা থৌদোকশিংদু ৱারী ওইনা লিথরকউ হায়ব্রা? হৌজিক ফাওবদা রেদ অমসুং বফর জোনশিং লৈরি। ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রি। রিলিফ কেম্পশিংগী শক্তমদা করিমত্তা অহোংবা লৈত্রি। নখোয়না তৌবা অমত্তা ওইদ্রে, কান্নদ্রে। মসিদবু মীয়াম্না 'ইথৌ নত্তে' হায়দুনা চগৌ য়েংদুনা লৈথোকপা য়ারিব্রা? ফরেনে, শেম্ফমসু থোকইনে। নখোয় ময়াম পুনশিন্নদুনা চাঙাং ফাওবা থকমিন্নদুনা অমত্তা ওইমিন্নদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লোনে। মীয়ামগীসু অপাম্বনি। অদুবু অঙম্বা সেন্টরনা হান্নগী মকোক মরূদু অমুক হন্না থাংজিল্লকপদা মহাক্কী মায়োক্তা কাপখিবা বোম ময়ামদু 'পোক্লাওবী' ওনখ্রগদ্রা হংবনি। নখোয় নশেলগী মরক্তা শমজি খায়নবগী থৌদোক অমুক হন্না থোরকহন্নীংদবদগী হায়বনি, ৱারৌনু। অমুক্কা খুদি থিরদি কুম্মৈ তানিকো!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৮৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খারোই নিংথৌ মারোং য়াংলৈ অথৌববু। চেকপল কোইনা খাজিলনা থমবা মচা ইবেমমা। মপা ইবুংঙো অঙোম নিংথৌ পুরৈরোমবগী। শঙগাই য়ুমতাংশাংবু তমনা। পাথাং পুথাং শমথনা অঙোম নিংথৌ কোলদা চাওরকপী। থংদা নোংপাললোন অঙোম নিংথৌ মচা ইবেমমা কাইনৌ চাপোমবী কৌবদি তাংখুল খামবী মৈহৌবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯸꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯈꯥꯔꯣꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯥꯔꯣꯡ ꯌꯥꯡꯂꯩ ꯑꯊꯧꯕꯕꯨ꯫ ꯆꯦꯛꯄꯜ ꯀꯣꯏꯅꯥ ꯈꯥꯖꯤꯜꯂꯅꯥ ꯊꯝꯕꯥ ꯃꯆꯥ ꯏꯕꯦꯃꯃꯥ꯫ ꯃꯄꯥ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯉꯣꯝ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯄꯨꯔꯩꯔꯣꯝꯕꯒꯤ꯫ ꯁꯉꯒꯥꯏ ꯌꯨꯝꯇꯥꯡꯁꯥꯡꯕꯨ ꯇꯃꯅꯥ꯫ ꯄꯥꯊꯥꯡ ꯄꯨꯊꯥꯡ ꯁꯃꯊꯅꯥ ꯑꯉꯣꯝ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯀꯣꯜꯗꯥ ꯆꯥꯎꯔꯀꯄꯤ꯫ ꯊꯡꯗꯥ ꯅꯣꯡꯄꯥꯜꯂꯣꯟ ꯑꯉꯣꯝ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯆꯥ ꯏꯕꯦꯃꯃꯥ ꯀꯥꯏꯅꯧ ꯆꯥꯄꯣꯝꯕꯤ ꯀꯧꯕꯗꯤ ꯇꯥꯡꯈꯨꯜ ꯈꯥꯝꯕꯤ ꯃꯩꯍꯧꯕꯥ꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২৬ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লীলা শান্নবা চৎপা হায়বসিমক্তবু অনকপা মফম খুদোং চাবদা সুম চৎকে হায়বদি য়াবা নত্তে। নুংশিবীদুনা ময়ামসিনা খুল, লৈকায় হায়বা খাক্তনা কৌবীরক্কদৌরিবনি। অদুগুম্বা মফমশিংদুদা চৎলগা অহিং হল্লকপদা খুদোংচাদবা য়াম্না থেংনখি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি ঐখোয় লীলা শান্নফমদা চাক চারগা অহিং য়ারেকখি। অদুগা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা হল্লকই। খরা চাউবা য়ূম অমগী শঙ্গোই, মাঙ্গোলদা ফম অমা থারগা অদুম পংতূম-তূম্বনি। নিংথমথাগী ঈংখ্রবা মতমদুদা ইশা ইশাগী ফি অরুম্বা পুরগা চৎলি। অদুনা ঐখোয় মী অনী/অনী পূনশিন্নরগা ফৈজুপ্তু লোন্নরগা তূম্মী। ফি পুবা তনবা ময়োম অচৌবা পুবদা ইকায়বা কাঙবুসু য়াওরিবনি। অদুনা তূম্বদদি ঈংবনা লোইরে। য়াম্না নুংঙাইনা অমদি নুংশিনা নীংশিংজরকপা অমনা চরূসি য়াম-য়াম পৈদুনা য়ূমথোঙ খুদিংগী লৈনৈ। মদুগী চরূ ইকুদুদগী চরূ মপুন খরা লৌরুরগা থাগদৌরিবনি, লৈনিন কারক্তনবা। হৌজিকপুদি লৈখিদ্রে, ঐখোয়গী ঈশৈ শকপা নব, ময়াম্না চাকথেকপী নবা হায়না খঙনবদু, মহাক্তি য়াম নোক্লিংখ্রজাৎনি। মাদি ফি পুরক্তে, ময়াম তূম্না হিপ্পরিবা মফমদুদা খোঙয়ারোমদগী লিৎশিল্লগা অদুম তূমশিনখিগনি। মশাসু খরা পীকপনিনা মাগীদি ইচন চনখি। অদুগা অমনা মাদি চরূ ইকু পৈরিবদুদা মপুন অমা শৎলগা মপুন্দুগী লৈরম্বা মফমদুদা মশাদু লিৎশিনখ্রগা অদুম তূম্বসু য়াওই। মাগীদু ঐসু হেক হেক তৌই। ঐসু ব্লাঙ্কেট পুদবা নুমিৎ য়াওই। মরমদি অহিং লীলা মফমদা লেক্লগা অয়ূক হল্লক্লে, অদুদগী য়ূমদা হন্দনা ওফিস কারে, ওফিসতগী থবক খরা চিনবা নুমিৎতদি ঙন্নবা হায়দুনা সাইকল হুমাং জি জি শৌখৈ লীলা ওফিসতা অমুক লাক্লে। অদুগা বস তোংলগা চৎপা নৎত্রগা ঐখোয়গী রিজার্ভ গাড়ীদা তোংলগা লীলা মফমদা চৎকদৌরিবনি। ময়ামদি ঐনা লাকপা মতমদুদা লোইনমক গাড়ী কাখৎনদুনা লৈনরম্মে। অদুগী তাঞ্জাদুদা ঐনা ব্লাঙ্কেট পুদুনা লাকপা মতম ওইখিদে। ঐগী লীলাগী ফি য়াওবা বেগ অদুফাওবা ময়াম্না পুথোকপীদুনা গাড়ীদা হাপকৎলগা থম্বীরম্লবনি। ঐ ঙাইদুনা লৈরবনিনা অদুম গাড়ীদু থৌরে।

মতাংসিদা য়াম্না নোক্লিংবা অমগা তমহৌদবা য়াদ্রে। ঐখোয়গী পার্টিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবসি ঐখোয় অনীখক্তনি। ঐনা হায়জরিসি য়াম্না ঙল্লিঙৈগী ৱানিকো। হৌজিকপুদি লৈখিদ্রবা ধনবিরগা ঐগতনি। মানা ষ্টেট কলা একাদেমিদা ঐনা হৌজিক্লা রিমস হায়বা অদুদা। হৌজিকপুদি ঐসু রিটাইরমেন্ট লৌখিবা কুইখ্রে। চহী তরুকমুক হায়রক্লে। অদুনা ঐখোয় য়ারিখৈ ছুটি নুমিৎকুম্বা নৎত্রবদি নুংথিলগী লীলা লৌদে। থবক লোমদা হায়বদি ওফিসতা কায়রকপনিনা। তঙাইফদদনা লৌরুরবসু ওফিসতগী থোরকপা য়াদদনা মীৱা তানবা য়াম্না য়াওখ্রজাৎনি। ঐখোয়সি ওফিস মনুংদা ছুটি হুরানবদা ফজনা মমিং চৎপনি। ছুটি হুরানবগী ওফিসতসু মীৱা তাবা। লীলাগী পার্টিদসু থেংনা লাকই হায়দুনা মীৱা তাবা। মীৱা তাফমদা ঙাক্তনি ঐখোয়না লীলা য়াওরক্লিসি। তোক্লগে হায়না কয়ারকসু খল্লুরে অদুবু ঙমদে। তোকপা হায়বসিদা অমদি তোকপা তারকপদা করি তৌসিগে খনবদা ঐগীদি ওফিস ওইনা তোক্লগে হায়না রিজাইনেশন লেট্টর ফাওবা পীরুরবনি। অদুবু মতমদুদা প্রিন্সিপাল ওইরম্বা হৌজিকপুদি লৈখিদ্রবা মিং পল্লসু কৈসু কায়দে, ডা. ঈ কুলধজনা ঐবু মাগী কাদা কৌশিল্লগা য়াম্না থীনা চৈখি। "কৈদৌবগী থবক তোক্কদৌরিবনো? নঙোন্দা পোকপদগী ঈশ্বরনা পীরকপা তাঙলবা মগুণ অদু করিগী ওফিসকী থবক তৌবসিনা কায়হনগদৌরিবনো? য়ান-য়ানবা তৌরগা থবক তোকপসু য়ারোই, লীল তোকপসু য়ারোই। থবক্তুনা নঙগী হিংনবনি, লীলাদুনা লৈবাক্কীনি, মীয়ামগীনি। অনীমক মথৌ তাই" হায়দুনা থীনা চৈরগা ঐগী এপ্লিকেশন অদু শেগাইরগা হুন্দোকখি। অদুনা ঐ থবক তোকখিদে। কনাগুম্বা অমা ওইরম্লবদি ঐ থবক অদুম তোক্লম্বসু য়াই। প্রিন্সিপালদুনা ঐগী রিজাইনেশন এপ্লিকেশনদুদা এক্সেপ্টেদ হায়না হেক থাখিবদা ঐ থবক অদুম ঙন্তানা তোক্লমগদবনি। হৌজিকসু নীংশিংলগা সারদু য়াম্না নুংশিরকই। তৌবুদি ঐখোয়গী সার কুলধজদু আর্টতা থৱায় য়াম্না য়াওজবনি। ঐখোয়গী থিএটর গ্রুপ অমা লৈ "রোয়ল থিএত্রিকেল ক্লব" হায়দুনা অদুগীসু মহাক্লা প্রসিদেন্ট ওইবনি। য়াম্না নুংশি।

সোমদনা লীলা পার্টিগী মনুংদা ঐখোয় অনীসি থীনা থীনা ঙাঙনবীরিনি। নোইদি তোলোপ চাবনি। ঐখোয়না লীলা চৎলগা হিংবনি। নোইদি লীলা চৎত্রসু তোলোপ ফংবনিনা লায়, ঐখোয়দি য়াম্না ৱাই। অদুনা নোই অনীগা পুনবসি হিংবা ৱাগদৌরে, লীলা তোক্লগে হায়রিনি। ঐখোয় খুমদে। মতমদুদা ঐখোয় অনীগী মীচংসু পার্টি মনুংদা য়াম্না লৈ। অদুনা মোইনা অদুম্না হায়রবসু থবক ওইনা পাঙথোকপদি ঙমদে। অদুবু চহী অমগা য়াওরম্লগা মোই মোইগী খুদোংচাবা য়েংদুনা হেক্তা তোকখি। ঐখোয় কৈসু নীংহন্নদে। মোই অমা-অনী তোকখ্রসু য়ানবা মী থিরগা ঐখোয় লীলা অদুম পানখৎলি। মসিগী ৱারীসিনা কোন্না অমুক লীজরক্কে। ঙসাই লীজরক্লিবা ৱারীরোমদা অমুক চঙশিনজরক্কে। খরা লৈরগদি ঐখোয় অথেংবা অহিংদা মীগী য়ূমদা শঙ্গোয়, মাঙ্গোলদা তূম্বদু য়াম্না নুংঙাইরক্ত্রে। মদুগী মরমদি ঐখোয়না লেক্লম্বগী মীগী শঙ্গোয়দা চাইরগা থনম্বদু ঐখোয় চৎখ্রগা মীনা করি হায়নহৌগনি হায়না খনবদগী ৱারসু ৱানা অহিংদা হল্লক্লগা য়ূমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক্তা ওইরসু পোত্থানবা হায়দুনা লীলা হেক লোইবগা ঐখোয় হল্লকপগী খোঙথাংসি লৌখৎলে। শ্বাইসিদনি ঐনা পাউ ওইনা তম্লিংলিবসি।

থৌদোকপুদি য়াম্মী লোইনমক তম্বদা লোইবা নাইরোই। অমা অনীখক তমজগে। ঐখোয়গী পার্টিনা নহারোল য়াওবগী লীলা খরা শান্নরম্মী। মদুদা এ কে ৪৭নচিংবা খূৎলায় খরা পায়। খূৎলায় হায়রিসি উনা শাবনি, য়োৎকা হাপ্পগা য়াম্না মান্না শাই। এ কে ৪৭কী নাপ লৌবদু ঐ হৌজিকসু কাউদ্রি। বজারদা দ্যুটি তাবা সী আর পি এফতা চা পীথক্লগা ফজনা হায়নরগা ইথ্রিটেপ পায়রগা মখোক্লা কয়াম শাংবা, মতোন্না কয়াম শাংবা হায়বদু নাপ লৌবনি। চে অমদা ফজনা য়েকথোক্লগা, কার্পেন্টরিদা চৎলগা শাবনি। পেন্টকদু তৈরগা য়েংবদা য়াম্না মানবজাৎনি। ঐখোয় মদুগী নোংমৈদু ৩ অমা অদুগা এস এল আর অনীগুম্বগা শাই। অদুদা নত্তনা হেন্দ গ্রেনেদসু য়াম মান্না শাই। মদু ঐখোয়না লীলা শান্নবা চৎপদা দম্বুরনা তুবা অচৌবা খাউ অমদা হাপ্পী। অদুগা ঐখোয়না রিজার্ভ তৌরিবা গাড়ীদুগী মথক্তা হাপ্পনি। নোংমা ঐ কাউদ্রি, ৱাইখোংদা লীলা অমা শান্নরুরগা থৌবাল লোমদা হল্লকপনি। মতমদুদা শাথী-শাথীবা আর্মি লৈবা মফম খরা লৈ। ৱাইখোঙ, ৱাবগাই কৈরক, থৌবাল হায়রিবা মফমশিং অসি খরা নাতৈ চাদে, ঙাঙন-শক্নবা কয়া নুংঙাইতে। অদুবু নুমিৎতুদি হায়রিবা মফমশিংদু লোইনা লাম্থোক্লগা লাক্লবনি। থৌবাল য়ৌরকপদা মেলা গ্রাউন্দগী মনাক্তা আর্মি লৈরম্মী। ঐখোয়গী গাড়ীদু খাম্মে। লোইনমক কুমথরকউ হায়না কুমথরে। ঈংখ্রবদুদা খূৎ থাঙ্গৎতুনা চ্যেক তৌরে। মথৌ লৈতবা আর্মি অমা গাড়ী মথক্তা কাখৎখ্রগা য়েংলুবদা ঐখোয়গী লীলাগী নোংমৈশিংদু থেংনবদগী মথক্তগী লাউরক্লে। ঐগী হেক নাক্তা লৈবা আর্মিদুনা ঐঙোন্দা নোংমৈ মতোন্দা য়াওবা বেওনেটতুনা চক লাউনা থিনজিল্লকপনি। নুমিৎতু ঐ টি-শার্ট অমা, ফুরিৎ অমা, জর্সি অমা অদুগী মথক্তা অথাবা হাওফি অমসু ইল্লিবনি, মদু ফাওজিল্লগা বেওনেটতুনা থিল্লকপদা ফাওরগা পুক্তা খরা থিল্লি। ঐ খংপ্রেক খংলগা লাউখি 'অয়ো' অদুদগীদি ৱাগা হায়বা অমত্তা নংদে। ঐখোয়সি ফূবা হৌই। কোন্নথংদা ঐখোয়না উনা শাবনি দ্রামাগীনি হায়বদগী য়েংনরুবদা ওইরম্মে। অদু ফাওবদা মখোয়না ঐখোয়বু থাদোক্তে। আর্মি কেম্পতা লৈবা ওফিসর অমদা ৱা হংনদুনা ফনা কুইনা লৈরবা মতুংদা থাদোরকখি। নুমিৎতুদা থেংনখিবা খুদোং চাদবদু ঐনা করম্না পূন্সিসিদা কাউবা ঙমগদৌরিবনো? ●

# ইরাং থোক্কেরা-থোক্লোইরা, লৈঙাক লৈগেরা-লৈরোইরা

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২৬
**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

ঈরাং থোক্কেরা-থোক্লোইরা, পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈগেরা-লৈরোইরা, লৈঙাক্লা মথৌ তৌগেরা-তৌরোইরা, ইমুং শেল লৈগেরা-লৈরোইরা, ইচা শেম্বা হায়বসিমদি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদবা ইথৌনিনা লেপ্পা য়াদে, লেপ্পীগনু। মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না শেমদনা অতোপ্পনা নৎত্রগা লৈঙাক্লা শেম্বীগদবা নত্তে।

লৈঙাক ফনা ফসনু, শেল ফনা পায়বা ইমুংদগীসু ওইসনু মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না ঐখোয়-ঐখোয়গী ইচাশিংবু নুংশিনা লোয়নদ্রবা, তাকপী-তম্বীদ্রবা, ঐখোয়গী মতেং মথৌ তারকপদা মতম কায়থোকপীদ্রবা, মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীদ্রবা, শৌগৎপীদ্রবা, মখোয় অদুম শোয়রক্কনি। মরমদি অঙাং অমা শেমগৎপদা মথক্তা পঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসি চঙদবা য়াদবনা।



তশেংবগীদি অঙাং খুদিংমক ফনা পোক্লকপা ঙাক্তনি, লোইনা শেম্বা থোকপনি। মখোয়না কোন্না অফবা, ফত্তবা, মায় পাকপা পাক্তবা মীশক ওইরকপা হায়বসিদি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না মখোয়বু করম্না তাকপী-তম্বী, মখোয়গা করম্না লোয়নৈ, মখোয়না ঐখোয়গী মতেং মথৌ তারকপদা মখোয়গীদমক মতম পীবিবরা, মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীবরা হায়বনচিংবা পোৎলমশিং অসিগী মখা য়াম্না পোল্লি।

হৌজিক্কানসি মমা-মপা ওইবা কয়ানা শেলদা অয়াম্বা তাইনৈ অঙাং শেম্বসি। হোয়, শেলগী মথৌ তাই হীরম খুদিংমক্তা শেল চঙবগুম। অদুম ওইনমক শেল জোম জোম থাদরগা অঙাং অমা হেক্তা অফবা মী ওইনা, মায় পাকপা মী অমা ওইনা শেমগৎপা য়াগনি/ঙমগনি হায়না খনবদি য়াম্না লানবা ৱাখল্লোন ওইগনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন লৈবা অসিননি অঙাং শেল্লিবনি হায়দুনা পীশক পীক্লিঙৈদগী স্কুলগী বোর্দিংদা থমজিন্দুনা অমদি ট্যুশনদা শেল আ য়ৌনা থাদদুনা মহৈ তমহন্নরিবা মমা-মপা ওইবা কয়ানা মণিপুরদা।

অসুম্না পীশক পীক্লিঙৈদগী বোর্দিংদা থমজিনবা অমদি শেল অরৈবীদা থাদদুনা ট্যুশন তৌহনবা অসিনা অফবা পুরকপগী মহুত্তা ফত্তবা ওইনদুম থোকহনবা কয়া য়াওরিবনি। পীশক পীক্লিঙৈদগী মতৌ অসুম্না বোর্দিংদা থমজিনবা অসিনা অঙাংশিং অদুগী থম্মোয়দা মমা-মপাগী নুংশিবা অসি হন্থরক্লবগী লম্বী অমা ওইরক্তবা নত্তে। নকশিন্নরবদি নুংশিনৈ হায়বদুনি। অদুগা শেল খক্তনা অঙাং হেক্তা ফনা অমদি মী ওইনবা শেম্বসু য়াদে। শেল খক্তনা অঙাং ফনা শেম্বা য়ারদি ইনাক কৈরাক খুনবা, শেল য়াম্না পায়বা ইমুংগী অঙাংশিংসি লোইনা মী ওইরনি, ফরনি। অদুবু ঐখোয়না তারে-উরে মদুদি মখোয়গী মরক্তসু অশোয়বা কয়া য়াওরকই হায়বা।

অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, মায় পাকপা খক্তং খনবসু লানগনি। অফবা মীওই অমা ওইরকপা-ওইরক্তবা হায়বা ৱাফমসিসু লূম্না লৌগদবনি। থবক অচৌবা তৌরে, শেল য়াম্না থোক্লে হায়দুনসু ইমুং মনুংগী, মমা-মপাগী, মচিন মনাওগী অমদি মহাক্লা লৈরিবা খুন্নাই অদুগী অফবা তৌদ্রবা মীওই অদু ফনা মায় পাক্লে হায়না লৌরবসু মমা-মপা কয়ানা, খুন্নাই অমনা পাল্লিবা অফবা হায়বা মীওই অদুমদি ওইদ্রে।

মরম অসিনা ঐখোয়না ইচাশিং শেমগৎপা মতমদা অহানবদা অফবা মীশক অমা ওইনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিগী মতুং তারকপদা পূন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। মতাংসিদনি পীক্লিঙৈদগী মমা-মপাগা পূন্না লৈমিন্নরিঙৈদা অঙাংশিংবু ইমুং মনুংগী চৎনবী, খুন্নাইগী চৎনবী, ইনাৎ, হৌন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, ফিজেৎ চাকচা অমদি লাইনীং লাইশোন্নচিংবা তাকপীবা মথৌ তারিবা। অসিগুম্বা পীক্লিঙৈ তাঙ্ককসি মপু-মবেনগা লৈমিন্নদুনা অফ-ফত্ত কয়া তমশিনবা, অহল-লমন থৌগল তৌবা তমশিনবা অসিসু য়াম্না মরু ওই। মসিগী অচৌবা মরম অমা হায়রগদি অঙাং অদুগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগগী মরক্তা নুংশিবগী মরী থম্নবা। নুংশিববু লৈত্রবা অঙাং অদুনা ফনা চাউবা মীশক অমা ওইরক্লবসু মাগী অপোকপী মমা মপাগী নুংশিবা অদুদি লৈতবনা অঙাং অদুগী থম্মোয়দা মমা-মপাগী মফম লৈরক্লোই তুংদা। মমা-মপাগী মরক্তা লৈদুনা মমা-মপাগী অশেংবা নুংশিবা মশক নীংথিজবা খঙলবা অঙাংদুদি কোন্না ফনা লাপ্পা লৈখিসনু মমা-মপানা পামদবা থবকশিং য়ারিবমখৈ তৌরক্লোই। মমা-মপাগী মায়োক্তা চৎপগী মহুত্তা মমা-মপাগী মায় ওইনবা হোৎনরক্কনি।

মরম অসিননি মমা-মপাগী অশেংবা নুংশিবা মরাং কায়না ফংবা মচাশিংগীদি ফনা লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইরগসু পূন্সিদা মায় পাল্লিবা, অফবা মী ওইরক্লিবা। মরম অসিনা ঙল্লবদা চহী ১৫/১৬কী মতুংদা তমহনখিবা য়াই তঙাইফদ্রবদি চহী মতাংসিদা ৱাখল খনবা ঙম্নরবনিনা অমদি মমা-মপাগী নুংশিবা মশক নীংথিজনা খঙলবনিনা। অদুম ওইনমক মসি হায় হায়দুনা মখোয় মখোয় মতোমতা অফবা মী ওইরক্কনি, মায় পাক্লক্কনি কায়না মতোমতা পংথা থাদোকপদি লানগনি। চহী ১৩দগীনা ১৯/২০ ফাওবসিদি য়াম্না মঙাও থীবা মতমনিনা মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবীবা, লমজিং-লমতাকপীবা অমদি লোয়নবীবা মথৌ তাই। সিগী চহী তাঙ্ককসিদা ওইখিবা ফীভমসি, অফববু ওইগেরা ফত্তববু ওইগেরা লায়না হোংদোক হোংজিন তৌবা ঙমদে মতুং তারকপদা।

মরম অসিনা য়ারিবমখৈদি চহী ১৮/১৯ ফাওবসিদি মমা-মপাগী মীৎয়েং মখাদা লৈবনা য়াম্না ফৈ। নোংচুপলোমগী চৎনবীদা মচাশিংবু চহী ১৮/১৯ শুবা ফাওবা মমা-মপাগা লৈমিন্নবসিসু মসিগী মরম য়াওবসিননি। তঙাইফদনা সিগী চহী তাঙ্ককসিদা করিগুম্বা মখোয়না মপালদা লৈখিবা থোক্লবসু মখোয়গী মহৈশঙশিং থোঙ হেক লোনবদা য়ূমদা লাকহন্নবা হোৎনগদবনি মমা-মপাগা অমদি ইমুং-মনুংগা লৈমিন্নদুনা তমশিনবা য়াবা কয়া তমশিন্নবা। মহৈ তম্বদা স্কুলদা তাকপী তম্বীরিসিদি অয়াম্বনা লাইরিক্তা য়াওরিবা হীরমশিং অমদি স্কুলদুদা ইন্দুনা চৎকদবা চৎনলোনশিং অদুনা অয়াম্বনি। অদুগা য়ূমদদি ইমুং অদুগী ওইবা মমা-মপাগী, মচিন-মনাওগী অমদি মপু মবেনগী ওইবা নুংশিবগী মরী, হৌন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, ফিজেৎ চাকচা অমদি লাইনীং লাইশোন্নচিংবা কয়ানি। হীরমশিং অসি স্কুলদদি কয়া তাকপী তম্বীদে, মদুগী মতম ইরৈ লৈতে।

অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, মপা ওইবশিংনা পাখঙ লৈশা ফারক্লবা মচাশিংবু মপু মনাইগুম মপা ঐনা হায়বা খুদিংমক চুম্মী, মপা ঐনা হায়বা খুদিংমক ইন্দুনা চৎকদবনি হায়না মচাশিংগী মথক্তা নম্ফু-হাফুন্দা তৌহনবসি অফবা ওইদে। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মপূং ফাগৎলক্লিবা মখোয়দা লৈজরিবা থৌনা, পাঙ্গল অমদি লৌশিং অদু মপূং ফানা ফোঙদোকচবা ঙমগন্দে লোয়ননা থবক ওইনা পাঙথোকপসু ঙমহন্দে। পাখঙ লৈশাবী ফারকপগী তাঙ্ককসিদদি মখোয়দা য়াথং পীদুনা থবক তৌহনবগী মহুত্তা করি ফৈ ফত্তে, করি তৌসিগে হায়না পার্টনর অমগুম, ইমান্নবগুম তাথোক-তাশিন তৌদুনা থবক তৌমিন্নবা অসিনা য়াম্না হেল্লি মায় পাক্লা পাঙথোকপা।

অদুগা লোইশিল্লকপদা ৱাফম অমখক্তা হাপচিঞ্জগে। ৱাফম অদুদি শাজেল তৌবগী হৈনবী লৈহনবা অসিনি। শাজেল তৌবগী অমদি শান্ন-খোৎনবগী হৈনবী লৈহনবা অসিনা অঙাংশিংসি মশা মউ ফনা অমদি মশা খিং-খিং লাউনা থম্বতা নত্তনা অঙাংশিংনা মখোয়না তৌরু তৌরুবা হীরমদুদা পূক্নিং চঙনা অমদি চাং নাইনা থবক তৌবদা য়াম্না মতেং ওই। লোয়ননা অসিগুম্বা শাজেল তৌবগী অমদি শান্ন-খোৎনবগী হৈনবী অসিনা ফত্তবা হৈনবী কয়াদগী লাপথোকপদা মতেং য়াম্না ওই। লৈঙাক শেম্বদি ঐখোয়গী খূৎতা লৈতে অদুবু ইচাশিং শেম্বদি মমা-মপা ওইবা ঐখোয়গী খূত্তা লৈদো। ●